হুইয়েন লানপাও

সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল দে ওফ ৱর্ল্ড ইন্দিজিনস পিপল থৌরমগী শক্তম অমা

লামায় ৫

ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা নেসনল দি ৱর্মিং দেগী থৌরম মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ইম্ফালগী সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হৌদোকপা

লামায় ৩

এম এম দব্লিউ ওগী টিমনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মায়োক্তা গভর্নরদা মেমোরেন্দম পীনবা লাকপা ৱাকৎ খোঙচৎ পুলিসনা থিংবগী শক্তম

লামায় ৩

বেঙ্গলোরদা লৈবা ৱ্রেকিং দি সাইলেন্সকী ফাউন্দর অমসুং সী ঈ ও উর্মিলা চনমনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন উনবগী শক্তম

Vol. 42, Issue No.138 | ইরাই, ইঙেন ২৯ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, August 10, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৫.২৬

দীজল : লিটরদা লুপা ৬৬.৬৬

পুন্না পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ : ওগষ্ট ১০ অমসুং ১৫ দা মথংশিৎনা চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ অমসুং মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বদু থা অসিগী ২৫ দা পুন্না পাঙথোক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি নিংথৌজম জিওফ্রিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ : এ আই এস এফকী নেসনল কাউন্সিলগী রিজোলুসন মতুং ইন্না ঙসি স্কুলশিংদা হ্যুমেন চ্যেন শেমদুনা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে। এ আই এস এফকী ষ্টেট সেক্রেটরি কে ঐচ রামেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি হ্যুমেন চ্যেন শেমখিবা স্কুলশিং অদুদি লাংজিংদা লৈবা পারি ইমোম শিন্দমশঙ, কাঞ্চিপুরগী টেম্পল ওফ লার্নিং, বেঙ্গুন্দা লৈবা সেকেন্দরি স্কুল, বেঙ্গুল পব্লিক স্কুল ময়াং ইম্ফাল অসিনচিংবনি হায়রি। মহৈরোয়শিংনা এ পি পান্দে লৌথোকউ, মহৈরোয়শিংগী পুন্সি মাঙহনগনু হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	৩২.৫ °C	২২.৬৩ °C
চান্দেল	৩৫.১ °C	১৮.৮৮ °C
সীসীপুর	৩১.৭২ °C	২১.৫১ °C
ইম্ফাল	৩৩.৬৮ °C	২১.৪৬ °C
সেনাপতি	৩০.৪২ °C	১৭.৩৯ °C
তমেংলোং	৩৪.৭ °C	১৯.১৫ °C
থৌবাল	৩২.৯৯ °C	২০.৯৫ °C
উখ্রুল	২৫.৭৫ °C	১৭.০৩ °C
মণিপুর	৩৫.১ °C	১৭.০৩ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.২৬ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৬

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৪

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.618512
US Dollar	68.674111
British Pound	88.531460
Australian Dollar	50.949018
Chinese Yuan Renminbi	10.071319
Japanese Yen	0.618050
Malaysian Ringgit	16.871361
Norwegian Krone	8.340794
Singapore Dollar	50.379211
South Korean Won	0.061388
Swedish Krona	7.659619
Turkish Lira	12.694040
Myanmar Kyat	0.04671
Bangladesh Taka	0.81567

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30245.99
Mumbai	–	Rs 30994.65
Delhi	–	Rs 30855.61
Kolkata	–	Rs 31122.99

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

HL POLL

Q : Visa yaodana Indo-Myanmar borderda 16 km changnaba yabasi nongpok thong hangbani louba yabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Bandh, Blockade toubasinggi mathakta FIR loukhatpana bandh, blockade touhandaba ngamgadra?

Yes 22% No 78%

অস! লোইরেহে!

বন্দ তৌবা চৈরাক পীরনেয়ে...!

ꯕꯟꯗ ꯇꯧꯕ ꯆꯩꯔꯥꯛ ꯄꯤꯔꯦꯅꯦꯌꯦ...!



বন্দ তৌনবদি মখোয়না শীনবনি, মশা হান্না চৈরাক পীফম থোকই!

ꯕꯟꯗ ꯇꯧꯅꯕꯗꯤ ꯃꯈꯣꯌꯅ ꯁꯤꯟꯕꯅꯤ, ꯃꯁꯥ ꯍꯟꯅ ꯆꯩꯔꯥꯛ ꯄꯤꯐꯝ ꯊꯣꯀꯏ!

মণিপুর পুলিস পার্সনেল তরেৎকী মথক্তা সী বি আইনা চার্জসিট থাঙ্গৎখ্রে

মরাল শীরিবা পার্সনেল অমদি কেস অসিমক্তদা গেলেন্ট্রি মেদল ফংলম্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):

খুৎশেমগী খুৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোকশিংগী মতাংদা থিগৎলিবা সী বি আইগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) না এম দি জমির খান কৌবা মীচম অমা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা হাৎখি হায়বগীদমক ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী পার্সনেল তরেৎকী মথক্তা চার্জসিট ফাইল তৌখ্রে।

মীহাৎপগী মরাল শীরিবা পুলিস পর্সনেল তরেৎ অদুগী মনুংদা অমদি কেস অসিমক্তদা থৌনা ফবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা পীবা পুলিস মেদল ফোর গেলেন্ট্রি পীখ্রবনি হায়না থাজবা য়াবা পাউগী ছোর্স অমনা হায়রি।

সী বি আইনা থাগৎলকপা এফ আই আর অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, কুমজা ২০১২ গী জান্যুৱারি ২০ অমসুং ২১গী লোন্নবা অহিংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমগা ক্যামগৈ শান্তিপুর লৌকোলদা খুৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক অমদা মহম্মদ জামির খান কৌবা হৈক্রু মখোঙ, খোমিদোক্তগী মীওই অমা লৈখিদবগা মরী লৈননা পুলিস পার্সনেল তরেৎকী মথক্তা চার্জসিট থাঙ্গৎখিবনি।

এস আই টিনা চার্জসিট ফাইল তৌখ্রবা পুলিস পার্সনেলশিং অদুদি, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোদা এস আই ওইনা লৈরম্বা পোৎশংবম তরুনকুমার, সব-ইন্সপেক্টর পোৎশংবম মনিরতন, কন্সটেবল য়েংখোম কেশোজিৎ, কন্সটেবল এলাংবম অবুং, কন্সটেবল চবুংবম সনাচাওবা ভিক্তর, কন্সটেবল খুল্লাক জোসেফ মরিং অমসুং কন্সটেবল মহম্মদ ইস্লাউদ্দিননি। কেস অসিদা মরাল শীরিবা এস আই পোৎশংবম মনিরতনদি অতোপ্পা কেস অমদা চেন্নবগীদমক থবক লৌথোকখ্রবা মীওইনি হায়রি।

মহম্মদ জামির খান লৈখিদবগী মতাংদা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসন্না আই পি সীগী সেক্সন ১২০,৩০২ অমসুং ২০১ গী মখাদা লৌখৎখিবা এফ আই আর নম্বর ১৮(০১)২০১২ গা মরী লৈননা চার্জসিট ফাইল তৌখিবনি। মমাঙ চহীদা সুপ্রীম কোর্টনা সী বি আইদা ফেক এনকাউন্টরগী কেস ৪১ থিগৎনবা য়াথং পীখিবগী মনুংদা এজেন্সী অসিনা চার্জসিট ফাইল তৌবা হন্দক্কী অসিনা অহুম্লকশুবনি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, সী বি আইনা ফোরেন্সিক রিপোর্ট, ফিল্ড ইনভেষ্টিগেসন, সেন্ট্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিগী এক্সপার্টশিংগী মোত অমসুং পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট নৈনরবা মতুংদা পুলিস পার্সনেল তরেৎকী মথক্তা চার্জসিট ফাইল তৌখিবনি। জামির খান মীশিগী মতাংদা সী বি আইনা ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সকী খঙ-হৈরবা ডোক্তরশিংগী মোত লৌখি হায়রি।

নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী) নসু হিরম অসিগী মতাংদা কুপ্না থিগৎলবা মতুংদা জামির খান খুৎ থোক্লবদা লৈখিদবা নত্তে হায়না ফোঙদোকখিবগী ৱাফম সী বি আইগী এফ আই আরদা পল্লি হায়রি।

অমরোমদা, কুমজা ২০১২ গী ফেব্রুৱারি ২১ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোশিংগা খুৎ থোক্লবদা লৈখিদবনি হায়বা লোংজম ধমেনগী কেস ক্লোজ তৌনবা সী বি আইনা ক্লোজর রিপোর্ট ফাইল তৌখ্রে। কিদনেপ্পরনি হায়বা লোংজম ধমেন পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা লৈখিদবনি হায়বগী খুদম ফংলে হায়না সী বি আইগী ক্লোজর রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্নসু ইনভেষ্টিগেসন চথরিবনি। হন্দক্তা সী বি আইনা পুলিস পার্সনেল ১৪ চেন্নবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অনীগী মতাংদা চার্জসিট ফাইল তৌবা লৈখ্রে। হায়রিবা থৌদোকশিং অদুদা চেন্নবনি হায়বা পুলিস পার্সনেলশিং হৌজিক ফাওবা ফাবা ঙমদবগী মতাংদা সুপ্রীম কোর্টনা সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্মাদা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

সুপ্রীম কোর্টনা থমখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা হংবদা সী বি আইনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, পুলিস পার্সনেল ১৪ গী মথক্তা চার্জসিট অনী ফাইল তৌরে হায়বা ৱাফম কোর্টতা ময়েক শেংনা থমখ্রে। কোর্টতা ৱায়েল চথুগদবা ৱাৎলিবা মরম্না হিরম অসিগী মতাংদা অতৈ অতোপ্পা অকুপ্পা ৱারোলশিং ফোঙদোকপা পামদে হায়না সী বি আইগী স্পোক্স পার্সন অভিসেক দয়ালনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরদা থোকখিবা এক্সট্রা জুদিসল ওইবা মীহাৎকী কেসশিংগা মরী লৈননা ওগষ্ট ২০ দা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)গী দিরেক্টর অলোক বর্মা অমুক হন্না সুপ্রিম কোর্টতা লাক্লবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। ওগষ্ট ২ দা সী বি আইনা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন আর্মিগী মেজর বিজয় সিংহ বলহারা বূক তৌখ্রবা মতুংদা হৌজিক-হৌজিক মণিপুরদা থোকখিবা ফেক এনকাউন্টরগী থৌদোকশিং থিগৎপগী ফীভম ময়েক শেংনা খঙহল্লনবা সী বি আইগী দিরেক্টরবু অমুক হন্না কোর্ট কারক্লবা খঙহনখিবনি। মণিপুরদা থোকখিবা *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

সী এম : এম য়ুগী ৱাথোক অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইস্যু অসি থুনা ৱারোইশিন পুরক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈরিবা এপ্পরেল এন্দ গার্মেন্ট মেকিং সেন্টর য়েংশিনবা লাকপগী খোঙচৎতা পাউমীশিংগা উনবদা সী এম নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইস্যুগী মতাংদা ঙসি গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলাগসু উনদুনা ৱারী শানরে। গভর্ণরগা উনখিবা অদুদা মপূং ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক লৈরিবা ইস্যু অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী মতাংদা ৱারী শানখি। মণিপুরগী গভর্ণরসু দিল্লিদা প্রাইম মিনিষ্টর উনরুরগা হল্লকখিবনি। ঙসি অয়ূক মুসু অমসুং মুটাগী মীওইশিংগা উননবা মতম লেপখি। অদুবু, নুংথিলদা ওইনা উননবা লেপ্লরে। অথুবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইস্যুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লগনি থাজে হায়নসু ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লম্বোইখোংনাংখোংদা এপ্পরেল এন্দ গার্মেন্ট মেকিং সেন্টর অমা লিংখৎতুনা থবক শূবা হৌরে। লমদমসিগী মীওই কয়াদা থবক পীনবা মীৎয়েং থল্লি। সেন্টর অসিগী বিল্ডিং অমদি মেছিন্নরি অসি লৈঙাক্লা পুথোকপনি। হৌজিক য়ুনিট অমা থবক হৌরে। বিগ কন্সেপ্ট ফাউন্দেসন হায়বা প্রাইভেট কম্পেনি অমনা ফি-রোল তুবগী থবক চথরি। লমদম অসিদা মপান লমদগী ক্বালিটি লৈবা ফিজোল কয়া পুশিল্লক্লি। মুম্বাইদা বেজ তৌবা কম্পেনি কয়ানা তুরিবা শেৎন-চানবা ফিরোলশিং অসি চাইনাগী গুৱাংজৌদগী রো-মেটরিএলশিং পুরক্লগা তুবা য়াওরি। রো-মেটরিএলশিং *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, অকোইবদা লৈবা দুকানশিং ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা হাংবিদনবা অপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী শক্তম শোকপা য়ারোই অমদি আর্টির্কল ৩৭১ (এ) মণিপুরদা চৎনবা য়ারোই হায়বা দিমান্দদা তোঙান-তোঙানবা লুপশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক ওইনা হয়েং নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা দুকান অমদি পোৎফমশিং হাংবিদনবা তোঙান-তোঙানবা লুপ নিপালনা অমত্তা ওইনা আপিল তৌরক্লি।

কৈশামপাৎতা লৈবা ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক)কী ওফিসতা সী এল কে, কে এস এ, পান্দম, কংলামৈ, কে আই এল, অকোমলুপ, ইপসা অমদি ইপাককী মীহুৎশিংগা পাউমীশিংগা উনবা অমদা দুকান পোৎফমশিং থোঙ হাংবিদনবা ৱাফম অসি থল্লকখিবনি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবী কংলামৈগী প্রসিদেন্ট লৈরিক লৈমনা হায়, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মণিপুরবু মচেৎ-মচেৎ তাহল্লগা মণিপুরবু লোইশিন্নবা হোৎনরি। অদুবু মণিপুর মীয়াম্নদি সেন্টর অমসুং মণিপুরদা বি জে পিনা পায়রবনিনা ইন্দিয়ানা মণিপুরগী য়াইফনবা খল্লক্কনি হায়বগী থাজবা থমখিবনি। মসিগী ওন্নতৈনবদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মণিপুর কায়নবা হোৎনরকপা মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই। এন এস সী এন (আই-এম) থেম্নবা হোৎনবদা মণিপুর কায়নবা হোৎনরবদি মণিপুরবু কনবা পাম্বা মীওইশিংনা ঙসি লুপ নিপালনা লৌরিবা ফিরেপ অসিদা মণিপুর কন্নবগীদমক মায়কৈ খুদিংদগী খোল্লাউ লাউমিন্নসি।

ঐখোয় খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা ইরমদমবু কন্নবা হোৎনহৌদ্রগদি তুংগী মীরোলগী লৈফম লৈরোই। মতম কয়াগী মমাঙদগী ফুরুপ কয়ানা লৈমিন্নরক্লবা লমদম অসি ইন্দিয়ানা মুথৎনবা শিল্লিবা লালোং অসিদা মীপুম খুদিংমক্লা ইরমদম মণিপুর মাঙহল্লোই হায়বা চপ চাবা ফিরেপ লৌমিন্নসি। হয়েং অয়ুক অঙনবদগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা মীয়াম্না শিন্থা লেপ্পিয়ু। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি মসিগী অকোইবদা লৈরিবা পাউনা কৈথেল, থঙ্গাল কৈথেল, টেম্পরেরি মার্কেট, ৱাহেংবম লৈকাই পরেং, নাগামপাল পরেং, উরিপোক, শগোলবন্দনচিংবা মফমশিংদা লৈবা দুকান অমসুং কৈথেলসু নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা থোঙ হাংবিদনবা অমদি কৈথেল ফম্বীদনবা হায়জরি।

লুপ নিপালনা লৌরিবা ফিরেপ অসিদা শরুক য়ামিন্নদুনা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ লাউমিন্নসি। অচিনবা কয়া লৈরবসু কাইথোকপিদুনা ইরমদম কন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা কে আই এলগী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবীনা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা ইশুশিংগী মনুংদা ফ্রেমৱার্ককী ইশু অসি খ্বাইদগী মরু ওইবা ইশু অমনি। চহী লিশিং ২০০০ গী পুৱারী লৈজরক্লবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসি ইন্দিয়াগী ফিবালনুংদা তিল্লুবদগী ইন্দিয়ানা মচেৎ তান্নবা হোৎনরক্লি। নাগালেন্দ খক্তদা চৎনবা আর্টির্কল ৩৭১ (এ) লমদম অসিদা চৎনহনবা য়ারোই। করিগুম্বা চৎনহনবা তারগদি জুন ১৮ দগী হেন্না কনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি। মদুদা থোরকপা অফ-ফত্ত পুম্নমক্কী তেকচাক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়রি।

কোংগ্রেস ৱার্করশিংগী খোঙচৎ পুলিসনা থিংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়া থাদোকউ হায়বা ঈহৌ হৌখিবগী ৭৬শুবা থৌরমগা মরী লৈননা এম জি এভিন্যুদা লৈবা মহাত্মা গান্ধীগী মীতমদা লৈ কৎননবা থোরকপা কোংগ্রেস ৱার্করশিংগী খোঙচৎ পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপশিন্দুনা চৎহনখিদ্রে।

থৌদোক অদুবু মণিপুর লৈঙাক্লা দেমোক্রেসি হাৎকে হায়বনি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা থম্মোয় শোক্লা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি ক্বিট ইন্দিয়া মুভমেন্টকী থৌরম নীংশিংবা ওইনা মহাত্মা গান্ধীগী মীতমদা লৈ কৎননবগীদমক এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ, এক্স-চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, কোংগ্রেস এম এল এশিং অমদি অতৈ কোংগ্রেস ৱার্করশিং খোঙচৎ অমগা লোয়ননা পার্টি ওফিসতগী থোরকখি।

কোংগ্রেস ৱার্করশিং অদুনা পার্টি ওফিসতগী পূন্না থোরকপা অদুদা হান্না ঙাইদুনা লৈরম্বা পুলিস কাঙবু অমনা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা লৈবনা ৱাকৎ খোঙচৎকুম্না পুন্না চৎপা য়ারোই হায়না থিংখি। করিগুম্বা চৎকে হায়বা তারগদি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী অয়াবা লৌগদবনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু, কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা খোঙচৎ অসি কনাদসু অকায়বা পীগদবা নত্তে, লৈবাক অসিগী মপানি *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

রিমস হোস্পিটালগী এয়র এম্বুলেন্স সর্ভিস লৈরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলানা পুখৎখিবা ৱাফমগী মতুংইন্না অৱাং নোংপোক লমদমদা অহানবা ওইনা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা এয়র এম্বুলেন্স/ফ্লাইয়িং ডোক্তরস সার্ভিস লৈরগনি।

রিমসকী মীদিয়া এদভাইজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা মিনিষ্ট্রি ওফ সিবিল এভিয়েসন্না জুলাই ২ দা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা এয়র এম্বুলেন্স লৈহনবগী ৱাফম অয়াবা পীরকখিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা রিমসকী দিরেক্টরদা পাউ পীরকখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা মচাকশিংগী মরমদা খঙহল্লক্লবা অমসুং শেম-শানবা খঙহল্লক্লে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা মণিপুরগী কাচিন-কোয়াদা লৈবা লায়রবা মীওইশিংদগী হৌরগা মীয়ামদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহনবা ঙম্লগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিত্তা লালহৌলূপশিংনা বন্দ কৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ : মণিপুরদা খুৎলায় পায়বগী লাল হৌরিবা য়ুনাইটেদ পিপলস রেভল্যুসনরি ফ্রন্ট ওফ মণিপুর (য়ু পি আর এফ এম) অমসুং নেসনল রেভল্যুসনরি ফ্রন্ট, মণিপুর (এন আর এফ এম)না লৈবাক্কী ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিত্তা বন্দ কৌখ্রে।

য়ু পি আর এফ এমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে ঐচ কংলৈঙানবা এলিয়স কিপাকনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওগষ্ট ১৪ গী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা ওগষ্ট ১৫গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মণিপুর পুম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোক্লে। নুমিৎ অসিদা মীয়াম্না য়ুম য়ুমদা লৈবিবগা লোয়নন্না লমদমসিগী এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসনশিং, মখল খুদিংমক্কী লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা থোঙ লোনবিদুনা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা মমিংতগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম বোইকোট তৌবিনবা ৱাফম থল্লি। জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা অনা-লায়েংগী থবক অমসুং লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌরমশিং কোনশিল্লোই।

মনীং তম্না পাঞ্জরম্বা অমসুং চহী লিশিং অনীগী পুৱারী লৈজবা লমদমসিবু নমদুনা খুদুম চনশিনবিখ্রবা মতুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট – মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):

কাঙলূপ অমগী ৱারোইশিন পুরক্লবা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই, আর্টিকল ৩৭১ (এ) চৎনবা য়ারোই হায়না ক্বাকৈথেলদা পোৎফম ফম্বী ইমা-ইবেলশিংগা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম ফমফম অদুদা য়ু সী এমগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ অথৌবনা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০০১গী জুন ১৮গী থৌদোক্লা লমদম অসিদা শিংনরকপা য়ারোই হায়না মীওই ১৮না থৱায়না পোন্থা ওইদুনা চপ চাবা পাউখুম পীখ্রবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মায়থীদুনা মখোয়না লাউথোক্লম্বা ফিরেপ অদু হন্দোকখ্রবনি।

এন এস সী এন (আই-এম) গা পিছ টোক চথরিবনি অমদি য়ানবা অমা পীগদৌরিবনি হায়না মখোয়খক্কী অপাম্বা খরা পীদবা য়াদে হায়দুনা মণিপুর মচেৎ থোক্লা থুগাইদবা য়াদবগী ফীভম অমদা লৈরে। তম্পাক্তা লৈরিবা মীয়াম্বু

লোইশিন্দবা য়াদে, মসি লোইশিনবা তারবদি মণিপুরদা ইন্দিয়ানা তৌনীংবশিং লোইনা শিনবা য়ারগনি হায়না মখোয়দা থাজবা লৈ। ফীভম অসি তানবা হোৎনবদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমগী ৱাংমদা ফুরুপ অমখক্কী ৱাখল্লোন্দা লেপ্লকপা অদুনি। চীংগী লমদা লৈরিবা নাগা তাবা মফম খুদিংমক এন এস সী এন (আই-এম) গী নাগালেন্দ চাউথোরকপদা নাগা ময়াম পূনশিনবা হায়বগী অপাম্বসিদা শিল্লকপা থৌশিলনি। আর্টিকল ৩৭১ (এ) অসি মণিপুরদা চৎনবা য়ারোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, অপূনবা নুপী খুন্নাই লমলোং কৈথেল ফম্বী অপূনবা নুপী লূপ, খুরাই পানা অপূনবা শিংলূপ অমদি অহোংপুং প্রোটেক্সন কম্মিটিনা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

লোক সভাগী মীফম ঙসি লোইরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস):

মমাং থাগী ১৮ দগী ফম্বা হৌরকখিবা লোক সভাগী মীফম হয়েং ওগষ্ট ১০ দা লোইশিল্লগনি। থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, হয়েং চথুগদবা সেসনগী বিজিনেস লিষ্টতা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱাফম অমত্তা য়াওদ্রে। মরম অদুনা মীয়াম্না হন্দক্কী নোংজু মীফম অসিদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী বিল পুথোক্কনি হায়না ঙাংনরকখিবা অদু ওইথোক্কনি হায়বগী থাজনিংঙাই লৈত্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

Aptech LEARNING™ Unleash your potential

IMPHAL CENTRE YAIPHAKOL Building Singjamei Parking www.aptechlearning.com

7085440528

Available Courses

Air Hostess (Cabin Crew) | SPOKEN English (Speech, interaction).

Airport Ground Staff | Certified COMPUTER Courses.

Travel & Tourism Management | MS Office, C, C++ programming.

Hospitality Mgmt. | Website Development (HTML5/php).

FACILITY : In-house Airport Operation Training

Lowest FEE

Get TRAINED & Get HIRED

Our Potential Recruiter :

30 Years of experience | 40 Countries | Imphal or Mumbai, we maintain the same Quality

HL-B/4789/10/8-8/09 (Alt.)

LOAN AVAILABLE

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Service Loan
- T.V. Loan

হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মতুংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি !

100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.

H.O. Lokleibung B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar

Please log on http://www.imphalfinancesociety.in

HL-P/5105/17/07-16/08

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫